**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ

১) নেসনেল স্পোর্টস ডে নুমিৎতা লৈবাক অসিনা শকাইরবা হোক্কি শান্নরোই মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

২) য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মালেমগী থাক্তা শেমগৎনবগীদমক শান্ন- খোৎনবগী মচাক মথুমশিং ফগৎহনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

৩) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মীংচৎ পুরকপা শান্নরোইশিংগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাকতা থবক লৌবদা চাদা ৫ খাক্কুনা থল্লগনি।

৪) ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী ৯৫ শুবা থৌরম ঙসি রাজ্য শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৫) নেপাল অমদি তিবেৎতা ঈশিং ঈচাউনা শিবা মীগী মশিং ৬২৬ শুখ্রে। মীওই লিশিং অনি হেন্না থিবা খঙদ্রি ।

------

স্পোর্টস ঃ নেসনেল স্পোর্টস ডে নুমিৎতা লৈবাক অসিনা শকাইরবা হোক্কি শান্নরোই মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- মেজর ধ্যানচান্দনা ভারতকী হোক্কি মশান্নদা উৎথোক্লম্বা হৈথোই শিংথোইবা অদুনা তুংগী মীরোল কয়াদা পুকিং থৌগৎলি।

কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়- ফিট ইন্দিয়া খোঙজং মাঙলোমদা চংশিন্নবা পান্দমদা লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি শান্নবুংদা পুং ১ হায়বা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি। রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ইম্ফালদা পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙসি অয়ুক খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী হাফ মরাথোন লমজেল লমথাখি।

তুংদা, হোক্কি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মন্ত্রিনা লুচিংদুনা মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি লৈবাক অসিগী ওইনা মমিং চৎলবা ষ্টেদিয়মশিংগী মনুংদা অমনি। মরম অদুনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি নিংথিনা য়েংশিনবগা লোয়ননা মপুং ফানা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মন্ত্রিনা হায়- খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মালেমগী থাক্তা শেমগৎনবগীদমক শান্ন-খোৎনবগী মচাক মথুমশিং ফগৎহনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টসকী সেক্রেতরি নাওরেম প্রবিন্না হায়- শান্ন-খোৎনবগী লমদা নহাশিং য়াওবগী হেনগৎলক্লিবা অসিনা অন্তরজাতিগী মশান্না কয়াদা ভারতনা তকমান পুরকপা ঙমগনি। মহাকা হায়- লমদম অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা উৎতুনা রাজ্য অসিগীতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়ামরুম পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

তুংদা, নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি একজিবিসন মেটচ অমা শান্নখি।

নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সাই এস.টি.সি উৎলৌগা খুৎশমদুনা জিলা অসিগী সাই গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। শকাইরবা হোক্কি শান্নরোই মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

চান্দেল জিলাদসু নুমিৎ অসিগী থৌরম সাইক্লিং ফোর ফিটনেস এন্দ য়ুনিতি হায়বা ৱাখল্লোনদা সাইকল রেল্লি অমা কোন্নাথাবীদগী লমথাখি।

ককচিং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নদুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরক পাঙথোক্লি। জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি কলেজগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা লৈ-শু কৎখি।

থৌবাল জিলাগী ৱাইখোম মণি গার্লস কলেজনা শিন্দুনা কলেজ অসিগী ওদিতোরিয়মদা নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস(রিমস) ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মেদিসিন্না শিন্দুনা নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শকাইরবা শান্নরোইশিংবু ইকায় খুমখি।

আরএসএস (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘা (আর.এস.এস) কৈরাও খাংনা ৱারিয়র মুইথাই একাদমিগা পুন্না শিন্দুনা নেসনেল স্পোর্টস ডে রিসেপসন প্রোগ্রাম কম য়ুবা সমেলন ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোই অমদি মমা মপা কয়ামরুম শরুক য়াখি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হন্দক্তর ফিল্লিপিন্সতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান এরোবিক জিমাষ্টিক চেম্পিয়নসিপতা সনাগী তকমান ফংলকখ্রবা অরিহা পাঙম্বম অমসুং ৭ শুবা পোজিসন তারকখ্রবা অঞ্জোরি পাঙম্বমগা উন্নখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি উন্নবা অদুদা মখোয়না লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (এম.ও.এ)গী বুকলেট অমা ফোংখি।

বুকলেট ফোংবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা রাজ্য অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোইশিংগীদমক অখন্নবা রিক্রুটমেন্ট পোলিসি অমা থমবা অয়াবা পীখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থৌরাং অসিগী মখাদা রাজ্য সরকারনা মেরিৎ বেসিসতা য়েংলগা শান্নরোইশিং লৌগনি। শ্রী খেমচান্দনা হায়- রাজ্য অসিগী মীংচৎ পুরকপা শান্নরোইশিংগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাকতা থবক লৌবদা চাদা ৫ খাক্তুনা থমগনি। করিগুম্বা শান্নরোই অদুনা চহি অহুম থংনা থংনা পার্ফোমেন্স ফজদ্রবদি শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা দ্যুতিদগী লৌথোক্তুনা চুম গী দ্যুতিশিংদা ওইনা মথৌ তৌহনগনি।

বস (এল)ঃ ঃ    নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাহাতি লম্বীদা ঙসি ইম্ফালদগী তোঙান তোঙানবা গাড়ি ১৯ চৎখি।

সরকারগী চেরোল অমনা হায়- গাড়িশিং অদুগী মনুংদা বস ৮ অমসুং ৱিংগর ১১ য়াওরি। গাড়িশিং অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ দা ইম্ফাল থাদোকখিবনি। ঙসিগী ওইনা পুন্না পেসেঞ্জর ৪০০ রোম চৎখি গুৱাহাতিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

ফয়ার (এল)ঃ  নোনে জিলাগী করুংমুৱান পার্ট টুগী নোনে হাউচোং লম্বীগী নঙতেক মনাক্তা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শকখঙদবা খুৎলায়বশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তো মীওই অমা শিরে, তরুকা শোক্লে হায়রি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং মঙা মখায় অদুৱাইদা থোকখিবনি। হৌজিক অকুপ্পা ঙায়রি।

এরেষ্ট (এল)ঃ    সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং বজারদগী য়ু.এন.এল.এফ (কে)গী মীওই অমা ফারে। মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-

ফারবা মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংমৈরোংদগীনি হায়রি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (প্রোজিক্যুসন) মণিপুরনা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগা খুৎশমদুনা রচনা ইবা অমসুং লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস পালনগা মরী লৈননা সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী পুন্সি হায়বসিদা চাংদমবা অদু কেথোলিক স্কুলদা পাঙথোকখিবনি।

জোদোনং (এল)ঃ ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী ৯৫ শুবা থৌরম ঙসি রাজ্য অসিদা পাঙথোক্লি।

হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী থৌরম মহাক্কী পোকফম লমদম ওহরিবা নোনে জিলাগী মনুং চনবা কম্বীরোল খুলদা হাইপৌ জাদোনং মেমোরিএল ত্রষ্ট কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা হাইপৌ জাদোনং পার্কতসু হাইপৌ জাদোনং দেদ এনিভরসরি এন্দ পার্ক কমিতিনা শিনদুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ. আর.কে. ইমোনা লুচিংদুনা মীয়ামা হাইপৌ জাদোনংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী জেলিয়াংরোংশিংনা তাবা মফমশিংদসু নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং পাঙথোকরি। জেলিয়াংরোংনা খুন্দাবা মফমশিংদা যুমথোঙ খুদিং অমদি কৈথেল অমসুং শোরোক্তা ঙসি নুমিদাং মৈ থানদুনা ইকায় খুমবা উৎলি।

জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (জেট.য়ু) লোংমাই জোন অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট (জেট.ৱাই.এফ) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা শিনদুনা ৯৫ শুবা হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী নুমিৎ থৌরম লোংমাই পার্ট ৱান পৈ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কটরদা লৈবা জাদোনং পার্কতসু পাঙথোকৎক ।

৯৫ শুবা হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী নুমিৎকা মরী লৈননা জেলিয়াংরোং পুই চেপ্তরনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি লাঙ্গোল শিজ ব্লড সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা ব্লড য়ুনিত ২২ হোস্পিতাল অসিদা দান তৌরমখি হায়রি।

ইরাবত (এল)ঃ চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম জননেতা হিজম ইরাবত থাবুম পালন মথং থাগী ২ দগী পাঙথোক্লগনি। রাজ্য থাক্কী ১৩০ রক শুবা কুমওন থৌরম ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতিনা শিন্দুনা তেন্থাগী মল্টিপ্লেক্স হোলদা ফারমর্স দিমান্দ ডে অমসুং সেভ মণিপুর, সেভ হুমেনিতিগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

ঈশিং (এল)ঃ ৱাটর ক্বালিতি মোনিটরিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট-টুদা পাঙথোকখ্রে। নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ৱাটর এন্দ লেন্দ মেনেজমেন্ট তেজপুরনা কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ ৱাটর রিছোর্সেস রিভর দিভলপমেন্ট এন্দ গঙ্গা রিজ্‌বিনেসন্না অপুনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস)কা পুন্না শিনবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুনা মীওই ১৩০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমবা অমদি মণিপুরগী লম অমসুং ঈশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

কোর্ট (এল)ঃ জ্‌বেনাইল জষ্টিস (কেয়ার এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট ২০১৫ হায়বসিগী মতাংদা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী ষ্টেগ হোল্ডরশিংগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা কোর্ট অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

এ দিকেদ ওফ ইমপ্লিমেন্টেসন এন্দ দি ৱে ফোরৱার্দ হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবা অদুদা জষ্টিস এ. বিমোল সিংহ, চেয়ারপার্সন জ্‌বেনাইল জষ্টিস কমিতি অমসুং কমিতি অসিগী মেম্বর জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ জোইন্ট কমিতি এগেনষ্ট দি ইনক্লুজন ওফ নন-মুস্লিম মেম্বরস ইন দি আইট ৱাকফ বোর্দ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর উলামা বোদি অমদি ওল য়াইরিপোক মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন অনিনা শিন্দুনা ৱাকফ বোর্দ মণিপুরদা নন-মুস্লিম হাপচিল্লকপগী মায়োক্তা ঙসি থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেল্লি চৎখ্রে।

রেল্লি (এল)ঃ এন.আর.সি তৌদনা মীকোক থীবগী থবক চথবা য়ারোই। এন.আর.সি হান্না তৌরবা মতুং মীকোক থীবগী থবক চথুগদবনি হায়বসিগী মতাংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। ক্বাক্তা লৈবা মুস্লিম ওর্গনাইজেসন মঙানা শিন্দুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা প্লেকার্দ কয়ামরুম পায়খি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৭ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

নেপাল ঃ নেপাল অমসুং তিবেৎতা থোকপা ঈশিং ঈচাউনা শিবা মীগী মশিং ৬২৬ শুখ্রে। মীওই লিশিং অনি হেন্না থিবা খঙদ্রি। হৌজিক চিতৱানদগী মীওই ২৩৩, নৱালপারাসি ইষ্টতগী মীওই ১৫৮, গোরখাদগী ৪৮, নৱালপারাসি ৱেষ্ট মীওই ৪৭, ধদিংদগী মীওই ৪৫, নুৱাকোটতগী

মীওই ৪১, তানাহুনদগী মীওই ৩১ অমসুং রসুৱাদগী মীওই ১৩ পুলিসনা ফংবা ঙমলে। সরকারনা মী থিবা অমসুং মী কনবগী থবক হৌজিক চখুরি। নেপাল সরকারগী পাউ মতুংইন্না হায়- ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদগী পুথোরকপা মীওইশিং অদু শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকখ্রে।

ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউ অদুনা ভারত মচা ৩২০ থিবা খঙদনা লৈরি। ত্রিসুলি ৱান হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্টতা থবক তৌবা ভারত মচা ৬৩ কনবা ঙমখ্রে।

মরক অসিদা, নেপালগী ঈচাউদগী কল্লকপা ভারত মচা ২১ ঙরাং নুমিদাং মশা মশাগী ময়ুমদা থুংখ্রে। মখোয় ২১ মক চেন্নাইদগীনি হায়রি। মখোয় মাউন্ট কৈলাসতা চৎপনি হায়রি। পুন্না গাড়ি অহুম চৎমিন্নবদা গাড়ি অমদি খুদোংথিবা অসিদগী নান্থোকপা ঙমহৌরে। গাড়ি অসি মথক মখা ওনদুনা উগী মশাদা পলহৌবদগী মখোয়শিং অদু কনবা ঙমখিবনি হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পৱার লিফতিং ঃ  উত্তর প্রদেশকী ঘজিপুরদা ঙসিদগী ৫২ সুবা মেন্স অমসুং ৪৪ সুবা ৱিমেন্স সেনিয়র নেসনেল ইক্যুপ পৱার লিফতিং চেম্পিয়নসিপ হৌখ্রে।

ঘজিপুরগী কনহা হভেল্লিদা চেম্পিয়নসিপ অসি মথং থাগী ৩ ফাওবা চথুগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই ৬ শরুক য়ারি। মণিপুরগী টিম ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

হোক্কি ঃ  বেলজিয়ম অমসুং নিদরলেন্দসতা হন্দক পাঙথোকখিবা এফ.আই.ঐচ. হোক্কি ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপতা ভারতকী নুপী হোক্কি টিমনা মঙাসু মফম লৌবা ঙমখিবা অদুদা হোক্কি ইন্দিয়ানা লুপা লাখ ৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা জরমনিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা ৫ শুবা মফম কনবা ঙমখিবনি।

নিরজ ঃ   ভারতকী ওলিম্পিক মেদালিষ্ট নিরজ চোপ্রা মথং থাদা ব্সেলসতা পাঙথোক্কদবা দাইমন্দ লিগ ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইরে। চহি অসিগী জ্নদা পাঙথোকখিবা দোহা মিটতা নিরজ চোপ্রানা মিটর ৮৫.৬৯ লংদুনা মরিসুবা মফম কনবা ওমখি।

------